ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯸, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, এপ্রিল ২৮, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৩৪শুবা মশীং

# চেন্নবশিং ফাদোক পীয়ু

## লমদম্নরক্তনবা কনখৎলুরনু

মণিপুর মীয়ামগী চাওখৎ-থৌরাংগী থবকশিংদি ষ্টেটসিগী গভর্ণমেন্টনা, য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা, লৈবাক মীয়াম্না অমসুং ষ্টেকহোল্ডরশিংনা তৌগদবনি। তৌফম থোকই, তৌদুনসু লাকই, হৌজিকসু তৌরি, মখা তানসু তৌখিগদৌরিবনি। মসি পূম্নমক মীয়ামগী লৈঙাক, ষ্টেট অমা, লৈবাক অমা ওইবগী হৌনবী মচৎনি। মসিগীদমক য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা মথৌ তাবা তোঙান-তোঙানবা মিনিষ্ট্রিশিং শেন্নগা হাঙদোক্তুনা থম্লিবনি। মিনিষ্ট্রিশিং অসিগী মখাদা লৈঙাক্কী থবক-থৌরমশিং পাঙথোক্লবগীদমক শিন্মী কয়া মরোল নাইনা হাপ্তুনা থবক শীজিন্নরিবনি। অদুবু নেসনল হায়ৱে-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বীগী শরুক অমা ওইরম্বদগী এন ঐচ-১০২ ওনখৎলক্তুনা এসিয়ন হায়ৱে ওইহল্লক্লবা ইম্ফালদগীনা মোরে ফাওবগী লম্বী মশাংসি শেমগৎলকপদা লিলোং উশোইপোকপীগা নক্লনা লৈরিবা ৱাইথৌ গোলাই অমসুং চীংজিনদা ওইরম্লিবা ফীভমসিবু করিনো? মণিপুরগী চীংশিং অসিবু পীকপা নৎত্রগা চাওবগী ৱাফম মন্থিনদনা কনানা অমসুং করম্বা লোয়শঙনা য়েংশিনফম থোকপগে? চীং অচৌবা অমসুং মচা ওইরম্বদগী কোৎথোক-তেমথোক্তুনা চীং ওইহন্দ্রবা, লৈমাইগা লৈতেম মান্নবা মফম (লম) ওইহল্লক্লগসু চীং ওইরম্বনিনা মফমদু ফোরেষ্ট লোয়শঙনা অদুম্মক মিৎয়েং চঙখিগদ্রা? মখোয়গী মখাদা লৈখিগদ্রা? নৎত্রগনা চীং ওইদ্রে, লৈত্রে লৈতেম মান্নবা মফম অমা ওইরে হায়দুনা রেভিন্যু দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরগদ্রা? ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মকোক থোংবা অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়াম্না ময়েক শেংনা খুন্লকউ। মতমদুদা ৱাইথৌ চীংগী শরুক্তা, চীংথক্তা, তেমথোকখিবা শরুক্তা, লম্বী ওইনা শীজিন্নরম্বা এরিয়াদা য়ূম-কৈ শাজিল্লন্লিবশিং অসিগী রেসপোন্সিবিলিটি ফিক্স তৌবা শোয়দনা য়াগনি। মরমদি গভর্ণমেন্টকী অহাঙবা লমদা এনক্রোচ তৌশিন্দুনা শাজিল্লম্বা ওইরগনা মসিগুম্বা ময়ামসিবু থীংদুনা তৌহন্দনবগীদমক লৈরিবা লোয়শঙগী থৌমীশিং কৈদৌদনা লৈহৌবগে? মখূৎ-মখূৎশিংদু মক্রাং লোন দুনা লৈখিব্রা? পাট্টালেন্দ নৎত্রগা গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীদুনা 'ওথোরাইজদ্ পাট্টালেন্দ' ওইরগনা খোংজোম নুমিৎকী থৌরম য়াওবা চৎপদা থেংনরকখিবা চীফ মিনিষ্টরনা মৈ হৌবমখৈ শাওখ্রিবা করিগীনো? শাজিল্লন্লিবা য়ূমশিং অসিগীদমক চীং তেমখায়খিব্রা? লম্বী চুমথোকখিবা ওইখিব্রা?

চত্থনরন্লিবা থৌওংসিদি গভর্ণমেন্টনা থৌওইনা এল্লোটমেন্ট পীদুনা খুন্দা-লৈতাহন্নবা পায়খৎপা থৌরাং-থৌশিল ওইদ্রবদি রেভিন্যু অমসুং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা খঙহৌদে নৎত্রগা উহৌদ্রে হায়দুনা চেনবা য়াগদৌরিব্রা? লোনা য়াদবনি অমসুং লৈঙাক্কী পোলিসি নত্তে ঙম্মী হায়দুনা হৌজিক অমুক তকখাইনবা, তকথোক্লবা হোৎনরকপদনা ৱারু-নুংজু থোক্লদনা ইরেঞ্জনা হরাও হরাও য়াদুনা হন্দোকখিগদ্রা? নম্ফু হাফুদা তৌরগনা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমত্তা থোরক্লরোইদ্রা? মসিগুম্বা ময়ামসি য়েংলগা চেন্নবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংগী থৌমীশিং চৈবুল পীজবগী মথক্তা ফাদোক পীরোইদবগী মরম লৈব্রা? লেম্না থাগনু। গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসলশিং ওইরিবা মখোয় লৈঙাক্কী মিৎ-নাকোং ওইবখক নত্তনা মখোয় মশামক লৈঙাক্কী শরুকনি অমসুং লৈঙাক্লি। অদুগা খঙনা খঙনা, উনা উনা খঙশিন্নদনা অমসুং উশিন্নদনা লৈথোকপদগী ফীভমসি য়ৌরকহল্লকপা নৎত্রা? মরম অসিনা খঙশিন্নরুদবা অমসুং উশিন্নরুদবা অদুগীসু মরম শোয়দনা লৈগনি। অদুগুম্বা মরম লৈহনখিবা অদুগীনি চৈরাক পীয়ু অমসুং ফাদোক তাহল্লু হায়রিবসি। মশ্বাইদা মরী লৈনবা মিনিষ্টর অমসুং চীফ মিনিষ্টর ফাওবনা কমপ্রোমাইজ তৌগনু। মৈ হৌদুনা শাওখিবদুগী তৌফম থোকপা থবকশিং চপ-চানা তৌথোরকউ। ৱাইথৌগী হন্দক্কী থৌদোকসি বোম্না হৌরগা পোক্লাওবীনা লোইশিনবগী ফীভমদা তাহনগনু। মসিদা ফোরেষ্ট অমসুং রেভিন্যু দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং শোয়দনা চেন্নগনি। মখোয়না খঙহৌদ্রে হায়রকপা য়ারোই। শন্তাইননবা মখল কয়াগী মরম অমসুং এক্সপ্লেনেসন পুথোরকপসু, তৌরকপসু য়ারোই। কনখৎলুরনু, মানা মানা তৌবশিংদুগী মহয় মানা মানা ফংজসনু, লৈঙাক লৈরি, লো চৎনরি হায়বসি মমিৎ-মমিৎতুদা খুদোম্বীনা থিল্লগা খঙহল্লু। মখোয়গুম্বা রিলাইএবল ওইদবা ওফিসর/ওফিসল খরনা ষ্টেটসি মশক থীহন্দুনা কাং-খোং চাইহনগদৌরিবনি। থৌদোকসি ৱাইথৌ গোলাই অমসুং চীংজিন খক্তদা থোকপসু নত্তে। চান্দেল অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী য়াম্লবা মফমশিংদসু চপ মান্ননা থোক্লিবনি। মশাগী মরন্নাইগী কান্নবা ওইজ-ওইথক খরগীদমক লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা থৌরাং থৌশিলদা খাবৈ-খারা শাদুনা ওৎখাইরম্বদা চেন্নবশিং মনম তৎনবা য়ৈহৌ। লমহেন-তুহেনবা য়াদে খঙহল্লু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪০

১) "**তোয়না থেংনৈ ঐনা/ৱাহৈনা মপূকচেন হোংলকপা।/ৱাহৈনা মপূক শেংলক্তবসিদা/কপলি ঐগী থৱায়না।**" শক্লাইরবা কবি অমগী লাইরিক্তা য়াওবা শৈরেং অমনি। কবি অসি কনানো, মাগী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) মণিপুর মপানগী শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্কী মমিংনি "**অরোইবা খোঙচৎ**" হায়বসি। অইবসি কনানো অমদি লাইরিক অসি করি মখলগীনো?

৩) "***সেনবী সমসোক্ লৌওনব পাংগ ঈপ লাল্ কবো ঈপু লাল্ পূনুং চঙবী ঈয়ান খাক্ পূনুং ঈসোই ননন লমলেল্ মংসা লউথেং কোইদ ইরোই কাংপোৎ খোমলরে হায়য়ে। পোইরই ঐসু তাংসক্তে।***" ৱাহৈ পরেংশিং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

৪) "**চৌরৈ**" হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

৫) "***অ।! চান্নবী, হৈররোনে থন্ন, থক্লসিনে,/হৌখিবগীদমক্ত নীংঙমদ্রবা লাক্কদৌ' গীসু নুংনাংনরিবা ঙসি কৌবা নুমিৎসে,/হয়েং! করিগী হয়েং, ওইবা য়াদ্রবা ঐহাক্তী/হৌখ্রবা চহী লীশিং চাম্মগী চিন্তা পোৎলুম পুবা।***" মালেম ফাওরিবা কবি অমগী শৈরেংদগী মণিপুরীদা হন্দোকপা মতেকনি। কবি কনাগী করি শৈরেং লাইরিক্লো অমদি মণিপুরীদা হন্দোক্লিবনা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৭৫

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মমাঙদা মণিপুরী শুমাং লীলাগী খোঙচত্তা কন্না চেনমিন্নরকখিবা মরুপ সামোম বিরেনগী মতাংদা তেন্তক্লা খরা থমজখ্রে। ঙসিদি নহারোল খোঙথাং আর্টিষ্ট এসোসিএসন ময়াম্না চাকথেকপী পার্টি হায়না খঙবীখিবা কাঙলূপ অদুগী খ্বাইদগী মরু ওইবা আর্টিষ্ট অমা ওইখিবা সমুলাইলাৎপম দেবদত্ত শর্ম্মগা লোয়ন-তিন্নরকপা অমদি মহাক্তা পূন্না লীলা তৌমিন্নরকপগী মতাংদা ৱাফম খরদং নীংশিংদুনা মীয়ামদা পাউদমজগে। এস দেবদত্ত শর্ম্ম, নোংমৈবুং পুঙ মখোঙ, ইম্ফাল ইষ্টতগীনি। মথন্তা পোকপনি। য়াম্না কেথোক মৌথোক্লা হৌরকখি। মহাক্কী ইমা লৈরম্বা অদুদগী খঙনবা হৌরকখি। ইমাদু নোংমৈবুং পুঙ মক্তদা পোৎফম ফম্মী। চা, বোরা, কাংহৌ মথেলশিংসু য়োল্লম্মী। মবুক য়াম্না ফৈ, ঐবু উবদা হরাও হরাও তৌবী। ননাওসে চেকশিন্না লোয়নবীয়ুকো হায়না হেক হেক শিন্নৈ। মরমদি মহাকসি নীংখিবদা পৎ তৎপা অমা লৈ, ৱা ঙাঙনবা য়াম্না নুংঙাইতে। মমানা মাগীদমক য়াম্না পাখৎচখি। ইমাদু লৈখিদ্রে, কুইখ্রে। কুইরবা ৱানি হায়রিবসি। মহাকসি লীলাগা য়াওদ্রিঙৈদা ঐগা থেংনরকখ্রে। ঐনা আর দি এস হায় স্কুলদা ক্লাস নাইন তম্বা মতমদু মহাক ক্লাস সিক্সলা সভেনলা অমা তম্বনি। মী মুরপ তৌরগা মশক্তু নুংশিবা অমা অদুম য়াওবনি। রেদিওদা অঙাংগী থৌরমদা য়াওই হায়না মানা হায়। মসিনা তাক্লিবদি মহাক পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা আর্ট হায়বসি য়াম্না পাম্না হৌরকখ্রে হায়বনি। মতমদুদা মহাকসি নুপী অদুম খরা মান্না হৌরকই। অদুনা মাসি ঐখোয়গী লক্লফম ওইরকই। ঐনা ক্লাস টেন লোইদুনা আর দি এস থাদোকখ্রবা মতুংদা মহাকসি নোংমা ঐখোয় লৈকায়দা অঙাংগী ওইবা জুনিয়রগী লীলা অমা তৌবদা য়াওদুনা লৈরম্মে। শুমাং লীলা য়াওবসি মানা ঐঙোন্দগী হাল্লি। মতমদুদা ঐ থিএটরদা কন্না ঙাওদুনা লৈবা মতমনি।

লাইবক তিন্নবদগী মহাক্তা ঐগা লীলাসি পুল্লে। মদু কুমজা ১৯৭৯দনি। মানা হেরোইন, ঐনা হিরো কুমদুনা লীলা শান্নমীন্নবা হৌরক্লে। মদুদগী মহাক অসি ঐনা মুন্না খঙনবা হৌরকখ্রে। সুম লৈরিঙৈ মতমদা মাসি ইথী থী। কৈসু য়াম্না ফজবা হায়দু ওইদে। নুপী শানবগী মেক-অপসি তৌবা হৌরকপদগী মচেৎ-মচেৎ ওইনা মাসি ফজবা হেনগৎলকই। অঙকপা মগুণ অমনি। ঐখোয় লোইনা মতমদুদা মেক-অপকী আইদিয়া কয়া লৈনদ্রিবা মতমনি। ময়াম্না তৈনৈ হায়দুনা মায়দা পেষ্টকদু তৈরগা পাওদর থাজিনবনি। শেদো করম্না হাপ্পা, শেট কমাইনা থাবা কৈসু খঙদে। অদুগা মতমদুদা মেক-অপকী মচাকসু কৈসু লৈতে। শিন্দুর পাওদর খরনে মায়দা তৈনবা পাওদর (মদু য়াওশঙদগা তৈনবা পাওদরদুনি) অদুগা য়ান্নরগা শেট হাপ্পীনি। অদুনা মচি মচি ঙাংশং ঙাংবগসু য়াওরিপোৎনি। য়েংনরগা নোক্লিংবা অমা ফাওবজাৎনি। অদুবু ভাবোকনদি মদু কৈসু হায়দে। তৈবু তৈরবদি ফজবরোমদা চিংনৈ। পঙয়াদা য়াবী। দেবদত্তনা মেক-অপকা লোইরগা মশম হাপখিবদা ঐনা য়াম্না মানবা অমা লৈ। মীনদি করি খনদৌনো খঙদে। মাসি রেখা য়াম্না মাল্লি। ঐনা মাসি রেখা মাল্লি হায়বদা মাসু য়াম্না হরাউজে। মানসু রেখাগী ফিল্মশিংসি য়াম্না য়েংই। অসুম্না লীলা কুম্মিন্নরকপদা মাগা ঐগা পাবদা ময়াম্না হেক হায়নখিবসি "কংখ্রবা ঈচেলগী তোর্ব্বান" হায়বা লীলা অদুদনি। মানা মহৈরোয় অমা অদুগা ঐনা ওজা অমা শাই অদুগা নুংশিনবনি। ঐনা কয়া য়াজদবা অদুগা মানা ঐবু য়াম্না পামজবা অমা শাবনি। মদু য়াম্না পকচনখি।

খরা লৈরগা মাসি ঐখোয় পার্টিদগী তোকখ্রে। অতোপ্পা অমদা য়াওখ্রে। মদুদা ময়াম্নসু মাগা পারিবদু পক্লদে, ঐগা পারগনা হেন্না ফজৈ হায়না তোয়না মফম অয়াম্বদা হায়রকপজ াৎনি। অদুনা মানা ঐঙোন্দা চহী ফারকপা অদুৱাইদা মাগা পারসি, মা অমুক য়াওরগে হায়রকখি। মানা তোকখিবা মতমদা মহুৎ শিন্নবা অতোপ্পা অমা য়াওদুনা লৈরবনিনা করম্না অমদু তোকহল্লগা কমাইনা মাবু অমুক য়াওহনগনি। মদুগী খুদোংচাদবা লৈবনা য়াওহনবা ঙমখিদে। অদুবু মথংগী ওল্লকপা চহীদা মাবু অমুক য়াওহল্লগা ঐখোয় পূন্না লীলা অমুক তৌরকই। মাসি মরৈদি খরা কল্লি। ইশৌসি খরদি কল্লি। মানগা শাওরদি লীলা শান্নবদসু অদুম শাওরগা শান্নৈ, হল্লু হায়বা য়াবজাৎ নত্তে। মীনবুদি খঙদবা অদুবু মাগী শাউরে হায়বদু খঙবনিনা লীলা তৌমিন্নবদা মমায়গা লৈশিল্লকপা জাৎ নত্তে, ওন্থোক্লা নোক্লিংখ্রজ াৎনি। মানবু য়ানীংদ্রদি অমদা অমা থোক হায়জিন্নি, অমদনা অমা হায়জিন্নি, হেক্তা কুম্মৈ তাখৈ মনুংদা ওৎপজাৎনি। লীলাগসি তোক্লগে হায়রগা হেক্তা লাক্তবীনি। ময়ূমদা চৎলগা কৌরুবসি মশীং নাইবা নত্তে। মা শেন্নবসি ওন্থোক্লা অৱাবা অমনি। অদুবু মাগী নুংশিবসিদি অরোইবনি। মানা ফনা য়াম্না শাওরে, লীলা তোক্লে হায়না মুক্লবসু, লীলা লাক্ত্রবসু, ময়ূমদা লৈতদুনা লোৎলবসু, পংলাপ লাপ্পা চত্তে। মনাক নকপা অদুৱাইদা অদুম লৈদৌরিনি। অদুনা ঐনা মাবু থিবসি থিবসি, মমৈথংদা থোরক্কনি, ঙাইহাক ৱাহনবগী ৱানি। মাগী মফি মরোল হাপ্পা বেগতু ঐনা য়াল্লগা, লাও চৎসি হায়না নমদুনা পুথোরক্কনি। মানা শাওরিসে, ঐঙোন্দসু ওইবা য়াই, মীঙোন্দসু ওইবা য়াই। শুংকৌ কৌবীবা নত্তে। ৱা হায়বগসি খুন্বীবা নত্তে। নুংশিখ্রজাৎনি, খল্লুরগা। মাগী অপাম্বদু সিনি সিনি হায়না খন্নরকান্দুদা হান্নগুম অদুম তেথগনি। মাগী মতৌসিদা উৎলৌদগী তা চাওবা হায়না অমা লৈরম্মী। মাগী মিনি বসতনি ঐখোয়না হেক হেক চৎলিবসে। মহাক্কী মিনি বসতু ঐখোয়না পুরা রিজার্ভ তৌদুনা লৈরবনি। অমরোমদা মাসু ঐখোয়গী লীলা পার্টিগী মীশক অমগুম্না লৈমিন্নরে। মাগী গাড়ীদু নম্বোল ফাওবা চেল্লি। অদুবু লীলা লৈবনিনা কয়া চেনদে। লীলাদা থৱায় য়াম্না য়াওজৈ। য়াম্না নুংশি, মাগী গাড়ীগী দ্রাইভর ওইনা তা ধিরেনদুনা থৌবনি। তা চাওবসিসু য়াম্না নোক্লিংবা মীনি। মানা ঐবু ওজা ওজা হায়বদগী হেন্দে, মীং ফাওবা নোংমতা কৌদে। য়াম্না থৌগল্লোন খঙনা লোয়নৈ। মানা মীগী মমিং থোনবসি য়াম্না চান-চান্নরা থোল্লি। দেবদত্তগী মীংসি মানা নোংমৈবুং খাবৈ হায়না কৌই।

মহাক থোংবা থাকপসু য়াম্না হৈ। মানা লীলাগী ওফিসসিদা চাক হেক হেক থোংলগা চাই। কেরোসিনগী ষ্টোভতা থোংবনি। মানগা চগেম পোম্বগী মহাউসিদি করম্না কাউগনি। মাগী ময়ূমদা ঐ চাক তোয়না চাই। ঐদি উকাবী থোংবসি য়াম্না পাম্মী। মানা উকাবী থোংবসিদি ওন্থোক্লা হাউখ্রজাৎনি। মচু য়াম্না তাই থবক তৌবদা। মশাসু নাল্লি। ঐখোয় ময়ামগী মরক্তা ফজবা কোট অহনবা লিৎপসি মহাকনি। মানা লুনা অমা তোংলগা কোট অরাংবা ফজবদুমা লিৎলগা লীলা লাকপসিদি অশ পোজ তাখ্রজাৎনি। অদুগা মাগী এসেন্স মনমসে মসিনি য়াম্না ঙাওরিসে। মনম য়াম্না নুংশিবা এসেন্স অমা মানা হেক হেক চাই। ঐনা খিক্তা চাইগেগা হায়রুবসি শাওরিপাৎনি, শেল চপ মান্ননা ফংলি নৎত্রা, লৈয়ু য়াদ্রা হায়না। অদুগা পীসু অদুম পীরগা চাইহল্লি। চৈশিন্নবগী ৱানি। লীলা তৌথোরকপা মতমদসু অঙকপনি। মীনা য়াম্না থাজদনা ফজ-ফজনা তৌথোরকই। মাগা লীলা পামিন্নবা মতমদা য়াম্না মতেং ওইনৈ। মুদ য়াম্না পী। অদুনা লীলা অদুম ফজৈ। য়াম্না ফজখিবা লীলা কয়া লৈ - "নুংশিবৈ চৈনাখোল", "ঈ থক্লবা কংলাশা", "নুংশিবগী শায়োল" হায়বনচিংবা। লীলাশিংদুদা ইবানিনা ঙাঙনখিবা দাইলোগতু হেক হেক নীংশিংলুবদা মহাক ইমাঙদা হেক হেক থোরকই। ৱাখলনা মাগা ঐগা লীলা কয়া শান্নমিন্নৈ। ঐগী পুন্সিদা হেক কাউবা য়ারোইদবা অমা হায়বা তারবদি, লীলা শান্নবা চৎপদা মহাক্লা শাউদনা লীলা লোইরগা অমম্বা মরক্তুদা মাঙখিবা থৌদোক অনীখক লৈখি। অমনা ৱাঙুদনি, লীলা লোইবগা ঐখোয় চৎলসি হায়না তৌনবা কানসিদা মাসি থিবা খঙদ্রে। মাঙখ্রে, ময়াম চঙদুনা মৈগা মৈগা তৌরগা থিবসি থিবসি... অঙকপা অমনি ফংখিদে। লৈকায়গী ময়াম চঙদুনা থিবদা ফংদ্রে, ফাওরগা চৎপা য়াবা লম্বীশিংদা ফনা য়াম্না চৎতুনা থিরবসু থিবা ফংখিদে। ঐখোয়দি নাচন্না চেনবা হায়বদু তৌখ্রবরা হায়না য়াম্না নুংশা থিনখিবনি। অদুগদি, নোংঙাল্লমদাইদা ইরাপ লাপ্তুনা স্কুল অমগী কাচিন্দা তাশিল্লগা লৈরম্মে। ঐখোয়না থিরিবসু মা লোইনা উরিজাৎনি। শাথীখ্রে, শাউসু শাউনীংই, নোকসু নোক্লিংই, করিনো মানা তৌরিসিবো হায়দনা। অমুক হেন্না শাউরনি হায়না নুমিৎতু চৈদে। অদুগা অয়ূক্তা ঐনা ময়ূমদা চৎলগা ফজনা ঙাঙবনি, অদুসু মা অদুম তূমিন্না তাই। অমুক্লা ঙারিয়ান চীংদা গাড়ী অমুক্তা খাম্মু হায়না হায়বদগী খাম্মে, অদুসু লীলা হল্লকপা অথেংবা মতমনি। ময়াম খরা অমদি গাড়ী মনুংদুদা উইদুনা লৈনৈ। মাদি কুমখ্রগা শুংকা কারক্ত্রবনিনে। ঐখোয়দি মপান ইপান থোকখিব্রা খনবনি অদুগদি মাদি হেক্তা লোৎখিবগী ৱানি। অদুসু চীংদুদা মাবু থিবসি থিবসি। কমাইনা হুন্দোক্লক্লগা চৎতুইনো। য়াম্না ৱানা থিরকান্দা খরা চৎলগা চীংদা শ্রোৎ শ্রোৎ লাউবা অমা তাই হায়না য়েংলুবদা চীং মথক্তা চৎলগা লৈরম্মী। ওন্থোক্লা মচিং ফৎখিদ্রবনি। হায়রিবা নুমিৎশিং অদুদা ঐখোয়না ৱাখিবদো। অদুবু মানা লীলা ময়ায়দা থোকখ্রগা এক্টিং তৌমিন্নরকপা মতমদদি অদুগুম্বা কয়া অদু অমুকফাও নীংশিংলুবা শংদে। মাগী এক্টিংদি য়াম্না কুপ্পী, অকুপ্পা এক্টিং য়াম্না তৌই, অদুনা খজিক খরাক অহোবা লৈবদা হেক্তা ফজরোইদবা, ইচান্দা চান্নরোইদবা ওইবনা য়াম্না চেকশিন্না লীলা তৌমিন্নখিবা কয়াগী মীকুপশিং অদু ঙসিসু ঐগী নীংশিংবগী থোঙনাওদা চঙশিল্লক্লি। মহাক্কী থৱায়না ঈংনা চিক্লা মপুগী নাক্তা লেঙদনা লৈবা ওইরসনু। ●

# হিন্দি লোল তশেংনা মথৌ তাবরা

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

ইশা ইশানা পামজদুনা অতোপ্পা লোল তমশিনবা করিসু কায়দে। তশেংবগীদি লোল হৈবা হায়বসি য়াম্না কান্নৈ। অদুম ওইনমক লোল অমবু নম্ফুদা তমহনগে হায়না হোৎনরক্লবদি থৌওং অদুগী তুংদা করম্বা নুংগী ওইবা ৱাফম লৈবগে হায়বসি ঐখোয়না খন্থফম থোকই। চয়োল অনীগী মমাঙদা ঐহাক্কী ৱারেংদা পঞ্জখিবগুম, হিন্দি লোল নম্ফুদা ক্লাস টেন ফাওবা তমহনগনি হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লেপ্পগী থৌওংদুদা মমালোল মূৎখিবা তারে হায়দুনা য়ানীংদবা ফোঙদোরকপা কয়াগী মনুংদা সাউথ ইন্দিয়াগী দ্রাভিদিয়ন লোল ঙাঙবা কাঙলূপশিং অসিসুনি। সাউথ ইন্দিয়া ষ্টেটশিংদদি মহৈরোয়শিং খক্তা নত্তে হিন্দি লোল নম্ফুদা তমহনবগী লেংগ্বেজ পোলিসিদা য়ানীংদে হায়দুনা লাউরিবা। মখোয়গী পোলিটিকেল লুচিংবশিংনসু থৌনা ফনা য়ানীংদে হায়না ফোঙদোকপদা নত্তনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লেংগ্বেজ পোলিসি ইন্দুনা চত্তে। পোলিটিকেল আইদিওলোজি মান্নদবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা লাউবসিদি মহৌশানি কায়না খন্দোকপসু য়াই অদুম ওইনমক বি জে পিগী লুচিংবশিং ফাওবা বি জে পি লৈঙাক্কী লেংগ্বেজ পোলিসি অসি ইনবা ঙম্মোই হায়না য়াম্না ফোংনা লাউথোকপা ঙম্মী। মসিগী মরু ওইবা মরমদি মমা লোলবু নুংশিবা, কালহৌবা, চাওখৎনবা পাম্বগীনি। ইমালোল মূৎখ্রবদি ইশাগী ইরোল, ঈনাৎ, ইশাগী লাইনীং-লাইশোল, চৎনবী পূম্নমক মাঙখিবা হায়বসি শোয়দ্রবনি, মরমদি ঐখোয় ঐখোয়গী ইরোলদা ঐখোয়গী ৱাখল্লোল য়াওবনা।

তশেংবগীদি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনদা হিন্দি লোলবু ইন্দিয়াগী লোল অমা ওইনা ক্লাস টেন ফাওবা তমগদবনি হায়বগী লো লৈরমদে। হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা হিন্দি লোলবু ইন্দিয়াগী ওফিসল অমদি নেসনল লেংগ্বেজ ওইনবা হোৎনরকপদা নৌনা শেমজিনবা লোনি। মসিগী মথক্তা হিন্দু লাইনীংবু ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা লাইনীং লাইশোল অমা ওইহন্নবসু কন্না হোৎনরি হায়বসি ময়াম্নসু হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। বি জে পি লৈঙাক্কী ৱান লেংগ্বেজ, ৱান রিলিজন অমদি ৱান নেসন হায়বা পান্দমসি অতৈ পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা য়াদে, পামদে। অদুম ওইনমক পোলিটিকেল পৱার পায়রে হায়দুনা বি জে পি লৈঙাক্লা নম্ফুদা শেমজিনবা লোনি দেমোক্রেসিগী চৎনবীগী মায়োক্তা। অসিগুম্বা ইন্দিয়াগী থৌওংসি পুকচেল য়াম্না পীকপগী থৌওংনি। থায়না মমাঙঙৈদা য়ারল্লবসু য়াই অসিগুম্বা থৌওংসি। অদুবু ঙসিগী পাউ ফাওদোক ফাওজিন অসুক থুরবা ত্বেন্টিফর্ষ্ট সেঞ্চ্যুরিগী দিজিটেল এজ অসিদদি অসিগুম্বা থৌওংসি য়াম্না পক্লদ্রে, চান্নদ্রে হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খঙদবগুম তৌরবা নৎত্রগা হিন্দি লোল ঙাঙদবা অতৈ ফুরুপ্পু করিসু উশিত্তনা খনবরা খরদি লৈরে। থায়না বৃটিশ এম্পায়রনা মখোয়গী মখাদা লৈবা কোলোনিশিংবু নম্ফুদা ইংলিস ঙাঙহন্দুনা অমদি তমহন্দুনা মখোয়গী মখাদা মতম চূপ্পদা থম্নবা শীজিন্নরম্বা পান্বেদো ঙসিগী ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শীজিন্নরি।

ঙসি চাওখৎপদা খম থেংলে হায়রিবা সিঙ্গাপোর বৃটিশ এম্পায়রগী মখাদা বৃটিশ কোলোনি অমা ওইনা চহী ৪০ চূপ্পা লৈরম্মী। অনীশুবা ৱর্ল্ড ৱার মতুংদা মালেমদা লৈরিবা বৃটিশ এম্পায়রগী মখাদা লৈরম্বা লৈবাক কয়ানা নীংতম্বগী লাল হৌরকপদা মখোয়বু নমথদুনা থম্নবা হোৎনরকপদা ইংলিস লোলবু থেমদুনা নৎত্রগা নম্ফুদা শীজিন্নহনবা হৌরকখি। মসিমক সিঙ্গাপোরদা ময়েক শেংনা উৎখিবনি। অনীশুবা ৱর্ল্ড ৱারগী মতুং কুমজা ১৯৪৬তগীনা ১৯৫৮ ফাওবগী মনুংসিদা বৃটিশ কোলোনি ওইরম্বা সিঙ্গাপোরদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ইথনিকশিংনা নীংতম্বগী ঈহৌ হৌরকপা উবদগী মসিবু থেমজিন্দুনা মখোয়গী মখাদা থম্নবা হায়দুনা য়াম্না হৈশিংনা পোলিসি কয়া শেমদুনা মতমদুগী বৃটিশ লৈঙাক্লা ইংলিস লোল অসিবু পাম্নবা, তম্নবা, ঙাঙনবা, শীজিন্ননবা সিঙ্গাপোরগী মহৈরোয়শিংবু বৃটিশকী ইংলিস স্কুলশিংদা তমহনখি, ইংলিস হৈবা মীওইশিংদা থবক পীশিনখি অমদি অতৈ খুদোং চাবা কয়া অমা পীশিনখি। অসুম্না অতৈ লোলশিং হায়বদি চাইনিজ, মালে, টামিল লোলগুম ইংলিস লোলসু অচৌবা, মরু ওইবা লোল অমা ওইরকখিবনি সিঙ্গাপোরদা। মসিগী মতুং তারকপদদি সিঙ্গাপোরদা লৈবা মহৈশঙ খুদিংমক্তা ইংলিস লোলনা মরু ওইবা মেদিয়ম ওফ ইন্সত্রক্সন ওইদুনা ইংলিস লোলদমক শীজিন্নবগী চৎনবী লো শেল্লক্লে। মতাংসি য়ৌশিল্লকপদদি হান্না চাউনা, মরু ওইনা লৈজরম্বা লোলশিং - চাইনিজ, মালে অমদি টামিলনচিংবা লোলশিং অসি মহৈশঙশিংদা শীজিন্নবগী চাংসি অসুম অসুম হন্থরকখি লোয়ননা মমল য়াওরক্ত্রে। মতৌ অসুম্না ইংলিস লোলদি য়াম্না চাওখৎলকখি অদুবু মমালোল ওইরিবা চাইনিজ, মালে অমদি টামিলনচিংবা লোলশিংদি মূথরকখি। মসিমক থোক্লবনি ঙসিগী ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হোৎনরিবসু অৱাং নোংপোক লমদমশিংদা ঐখোয়গী শেল-থুমগী অৱাৎপা কয়া অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা।

লাইবক ফবদি, সিঙ্গাপোরদা অফবা মরমদম্বু তশেংনা নুংশিজবা লুচিংবশিং থোরকখিবা অসিনি। কুমজা ১৯৫৮দা সিঙ্গাপোরনা বৃটিশ এম্মপয়রদগী নীংখা তমদুনা মশা মতোমতা ঙাকচবগী তাঞ্জা ফংবদগী কুমজা ১৯৫৯দগী সিঙ্গাপোরগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবা, Lee Kuan Yew না বৃটিশ এম্পায়রগী মতমদা শীজিন্নরম্বা লেংগ্বেজ পোলিসি শেমদোক্তুনা মমালোল ওইরিবা মালে লোল, চাইনিজ লোল অমদি অতৈ অপীকপা লোলশিং কনবা হৌরকখিবনি।

British colonization গী মতমদা ওইখিবা ফীভম অদুমক ঐখোয়গী অৱাং নোংপোক লমদমশিংদা ওইরকপা য়াবগী ফীভমদা লাক্লে ঙসিদি। ফীভম অসিদা ঐখোয়না থৌনা ফনা ইমালোলবু ঙাকথোকহৌদ্রবদি ঐখোয়গী ইরোলসু মূৎখিগনি লোয়ননা ঐখোয়গী ঈনাৎ, চৎনবী অমদি লাইনীং লাইশোলসু ইমালোলগা লোয়ননা মূৎখিগনি হায়বসি ঐখোয় কাউফদে। অদুবু লাইবক থীবদি ঐখোয়গী লুচিংবশিং সিঙ্গাপোরগী প্রাইম মিনিষ্টর Lee Kuan Yew গুম্না লাপ্না উবা ঙম্বা লুচিংবা য়াওদবা অসিনি। হিন্দি লোলদি থম্ববু থমখিসি, মমাঙ চহীগী লোইরমদাই শরুক্তা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইরম্বনা ইরমদমদা ফৈ ফত্তে, চান্নৈ চান্নদে করিসু খন্থবীবা তৌদনা মতমগা চুন-চান্নদ্রবা লাইনীং লাইশোলগী ওইনা শীজিন্নরিবা সংস্কৃট লোল অসিবু স্কুল, কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিগী করিক্যুলমদা শীজিন্নবা হৌননবা অথুবা মতমদা শেম শাবা হৌরগনি হায়না ন্যুজ মীদিয়াদা ফোঙদোকখিবদা মীয়াম্না য়ানীংদবা ফোঙদোক্লরকপগী থৌদোক ময়াম্না নীংশিংবীরমখিগনি। অসুম্না সেন্টরনা হায়রক্লবদি ঐখোয় ইরোলদা, ঈনাৎতা, লমদমসিদা ফৈ ফত্তে করিসু খন্থবীবা তৌদনা হৌজিকসু ঐখোয়গী পাল্লিবা লৈঙাক্তি সেন্টরনা হিন্দি লোল ক্লাস টেন ফাওবা তমগদবনি হায়রকপা অসি ইনগনি হায়দুনা তূমিন্না লৈরি। সাউথ ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা য়ানীংদবা ফোঙদোকপগী খুদম অসি উবা ফংদে। মসিনি য়াম্না লুরিবদি।

লোইশিল্লকপদা, হ্যুমেন রাইটস লৈতে হায়রিবা চাইনাদদি অপীকপা অচৌবা লোল খুদিংমক চাওখৎনবা লেংগ্বেজ পোলিসি শেমদুনা শৌগৎপীরি, য়োকখৎপীরি, অদুবু চহী ৭০ হেন্না ইন্দিয়াগা লৈমিন্নরকপা ঐখোয়গীদি দিমাপুর অমদি জিরিবাম হায়ৱেদা থোং অমা ফাওবা নিংথিনা শাবীদবদগী ঙাইহাক লৈতনা লম্বী ফাওনবা য়াদদুনা চেঙ চাক অমদি অতৈ পোৎলমশিং পুশিল্লকপা ঙমদনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। অদুগা ঙসিনা অমুক ঐখোয়গী ইমালোল অমদি অতৈ ফুরুপশিংগী লোল কয়াবু নমথদুনা থল্লগা হিন্দি লোলখক চাওখৎনবা হোৎনরি। ইংলিস লোলসু ওফিসল লেংগ্বেজ অমা ওইনা লৈরিবা ইন্দিয়াদা নেসনল য়ুনিটি পুরক্লে নৎত্রগা শেন্মীৎলোন ফগৎহনগে হায়রবদি হান্নদগী শীজিন্নরকপা লোল ইংলিস অসি মখা তানা অদুম চত্থহনবনা খুদিংমক্কী অফবা ওইগনি। হিন্দি লোলগী মথৌ তাদে। ●